# ইশা ইশাদগী হৌরসি

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

**ঐহাক্কী** খ্বাইদগী অহানবা মতৌ করম্না ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংবু লূ-নান্না থমগদগে (How to keep clean our surrounding) হায়বগী পড়াদি কুমজা ১৯৯৫দা ঐহাক্না সিওল, সাউথ কোরিয়া চৎপদা তম্লকখি। ইন্টরনেসনল ফেমিলি ফেদরেসন (য়ু এস এ) না সিওলদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল য়ুথ ফেষ্টিবেলদা ঐহাকসু ন্যু দেল্লিদা লৈবা ফেমিলি ফেদরেসন (ব্রাঞ্চ) না অচংবা শেল পুথোকপীদুনা অতোপ্পা মীওই খরগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা চৎখি। মতম অদুদনি ঐহাক্কী হৌজিক লোইনবী ওইরিবী চনীংলৈমা চনু (টাইৱান নিংঙোল, চেন নান-টাই) গা অহানবা ওইনা উনখিবা।

নোংমা চনীংলৈমা অমদি মহাক্কী টাইৱানগী মরূপ মপাংশিংগা লোয়ননা য়ুথ ফেষ্টিবেলদুগী শরুক অমা ওইখিবা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম অমদা বস তোংদুনা ঐহাকসু শরুক য়াবা চৎখি। ঐখোয় অনী খঙন-চান্নখিবনা সিট থংননা ফমিন্নখি। বস তোংলিঙৈদা মহাক্কী খাওদা য়াওবা অচাপোৎ পুথোরক্তুনা ঐঙোন্দা পীরকখি চাও হায়না। ঐহাক্না অচাপোৎ অদুবু চারগা অচাপোৎ অদুবু কুপ্লকখিবা প্লাষ্টিক নৎত্রগা চেরং অদুবুনা ঐহাক্কী সিটকী লৈমায়দা থাদরম্মী, ঐখোয় ইন্দিয়া মচাগী হৌনবী, হৈনবীদু ইন্দুনা। মতমদুদদি ইন্দিয়াদা খ্বাইদগী চাওখৎলে হায়না খন্নরিবা ন্যু দেল্লিগী টোপ য়ুনিভর্সিটিদা তম্লবসু অসুম্না লূ-নান্না থম্বগী চৎনবীগী মতাংদদি ঐহাক্তি শুকখঙবু খঙলুদে হায়বা য়াই। কদাইদগীবু খঙলুগদৌরিবনো, জে এন য়ুদগী হেক কাম্থোকখিবদা মুনিরকা লৈরে, মদুদগা মোৎলিবশিংদুদি লোইরে। অদুদা নত্তনা সিটি মনুংদসু য়ূম-কৈ ফজনা লৈজদবা লায়রবা ময়াম অমগী মোৎল-মোৎলবা খাংপোকশঙ ময়াম অমসু লৈশিল্লে। মোৎখ্রপোৎনি দেল্লি কায়না তৌরিসিনা। মতমদুদি ঐহাকসু অতোপ্পা লৈবাকশিংদা থোক্লুদ্রিবনিনা দেল্লি চাওখৎলি, নাল্লি কায়না শুম খঞ্জরুবা। কোন্না মোৎলে হায়না খঙলকপগী ৱানি।

ঐহাক্না অসুম্না করিমত্তা নাচুংদনা হুন্দোকপদুদা চনীংলৈমনা ইঙক ঙক্না য়ানীংদবগা লোয়ননা, “No, no. Don’t throw them like that.” হায়না হায়রগা মকুশিং অদু খুনগৎতুনা মহাক্কী লাইরিক খাওদুদা হাপচিনখি। মহাক্তা নত্তনা ঐহাকসু ইঙক ঙক্না মঙোন্দা ঐ করি কায়গে হায়না হংলুই, What’s the problem, people will clean anyway?” ঐহাক্কী ৱাহৈদুদা অমুক ঙক্লপ্পা নোকফেৎ তৌরগা (ঐহাক্কি থম্মোয় শোক্তনবা হায়না খন্দুনা তৌবা মাল্লি) মহাক্না হায়রকখি ঐখোয়দি অসুম্না হুন্দোকপসে তৌনদে, চৎনদে, ইশা ইশানা থমজিন্দুনা হোরেন কোন্না ত্রাশ কেন (দষ্ট বিন) দা হুনে দাকই। নখোয় ইন্দিয়াদা সুমাইনা লোইনা তৌনবরো হায়না হংলকই। ইকায়বদি ইকায়খি নুমিৎতো অদুবু অশেংবদুদি খুমখি, “In India, no one cares about this, people throw everywhere”.

ইরমদম মণিপুরদা লৈরিঙৈদবুদি ইমান্নবশিংনা তম্বীখি বোম্বেদদি মীশিংসি য়াম্না ৱাখল তাই, সিটি নান্না থম্মী হায়না। কোন্না টাইৱান্দা লৈরকান্দা, মিষ্টর য়ুনিভর্স য়াওবা লাকপদুদদি অদুক্কী মতিক মোৎনা উখি, করিমতা নান্দে। মফমসু নান্দে, মীসু নান্দে মীওই খরা নত্তনা।

সিওলদা চয়োল অমমুক অদুগা চনীংলৈমনা কৌদুনা টাইৱান্দা চয়োল অমমুক লৈবদুদা ঐহাক মহাক্কী মফমদগী পাড়া য়াম্না তমখি। নুংতিগী উনবা খঙদে অমদি চৎমিন্নবা খঙদে মহাক্তি য়াম্না দিসিপ্লিন লৈনা চৎখি। নোংমতসু পোৎ মচেৎ অমতা হুন্দোকপা উখিদে মফম চাদনা। মহাক্কী খাওদুদা অদুম হাপচিন্দুনা পুখি হুন্দোক্কদবা পোৎ চৈশিংদো, ঐহাক্কীসু মহাক্কীসু। কোন্না ত্রাশ কেন লৈরকান্দা লোইনা লৌথোক্তুনা হুন্দোকই।

মতম অদুদগীদি ঐহাকসু মহাক্কী মতৌ তমদুনা করিগুম্বা অরেম্বা পোৎলম অমত্তা হুন্দোক্তনা মদুগী অফবা হৈনবীদো ঐহাক্না ইন্দিয়াদা হল্লক্লবফাওবদা থাদোকখিদে। বস তোংবগী টিকেট মচা অদু ফাওবা ঐহাক হুন্দোকখিদে মফম চাদনা। ঐহাক্কী ফুরিৎখাওদা নৎত্রগা খাওদা হাপচিন্দুনা অদুম পুরক্লগা জে এন য়ু কেম্পসতা লৈবা গার্বেজ হুন্দোকফমদা নৎত্রগা হোষ্টেলগী ফত্ত-হৌদি হুনে দাকফমদা হুন্দোকখি। মণিপুরদা লাক্লবসু মদুগী হৈনবীদো অদুম ইনখি অতৈনা তৌনদ্রবসু। “খরা থুনা তমগনবা হায়গদ্রা ঐহাক্তি য়াম্নমক থুনা অফবা লমচৎতো তমখি চনীংলৈমদগী। ঐখোয়গী ইরৈচা কয়া অমসু ফোরেন লমদদি য়াম্নদি চৎনরে, কোয়নরে মখোয়সু ঐহাকক্লা অদুম তৌরমগদ্রা কায়না মরক মরক্তা হংজে ইথন্তা। তৌরম্বসু ওইসনু। করিগুম্বদা হেক্তা হুন্দোক্লগেদা অতোপ্পনসু উরোইদবসিবু কায়না খল্লকপা য়াওরক্তবদি নত্তে, মরু ওইনা ইন্দিয়াদা হল্লকপা মতমদদি। অদুবু য়াদে থম্মোয়সিনা, হেক্তা নীংশিংলকই টাইৱান্দা অসুম তৌখিবনা, হৈনখিবনা। মণিপুরদা থোরকপদফাও হুন্দোকপা ঙমদে ঐখোয়গী ইমুং মনুং অমদি লৈকায়গী মীওই খুদিংমক্লা হুন্দোক্লবসু। শগোলবন্দা লৈবা ইয়াম্বগী শঙলেন্দা লৈবদসু প্লাষ্টিক শীজিন্নদুনা পূন্না খোমজিন্দুনা, হাপচিন্দুনা থন্মী ফত্ত-হৌদি, অচা-অথক্কী মকুনচিংবা খুদিংমক। ঐহাক্কী ইচাশিংসু মখোয়গী হৈনবীদুনা অদুম হুনে দাক্তে। অতৈ অঙাংশিংগী মতৌ তমদুনা হুন্দোক্লবসু ঐখোয়না চৈ, তৌহন্দে।



ইন্দিয়াদসু, মণিপুরদসু হৌজিক হৌজিক য়াম্না লাউনরি, হোৎনরি ঐখোয়গী সিটি অমদি অতৈ মফমশিং লূনা-নান্না থম্নবা। অদুবু ঙসি শেংদোকই হয়েং অদুম পূমচাই চাই লৈরম্মী অমুক। গভর্ণমেন্টনা মীচম মীয়ামদা ৱাখল তাদে হায়না তাইনবী অদুগা অমরোমদনা মীয়াম্না গভর্ণমেন্টতা অমুক তাইনৈ। অদুবু থমজনীংলিবা ৱাফমদি করিগুম্বা অফবা অমা তৌসি হায়রবদি ঐখোয় ইশা ইশাদগী হৌগদবনি হায়বসি কাউবিরোইদবনি। মফম অমা, লৈকায় অমা, সিটি অমা, লৈপাক অমা লূনা-নান্না থমগে হায়রবদি ঐখোয় ইশা ইশাদগী অমদি য়ূম য়ূমদগী পাড়া তম্বীবা হৌগদবনি। মমা মপা









ওইরিবা ঐখোয়না অফবা তমজনীংঙাই ওইবা মীওই অমমম ওইদুনা ইচাশিংদা, ইনাওশিং অমদি য়ূমগী মীপূম খুদিংমক্তা উৎকদবনি। অদুদি নত্তনা অতোপ্পনা তৌদে হায়না শুম তাইনদুনা লৈরবদি করিসু কান্নরোই। মরম অসিননি লৈকায় অমদা নৎত্রগা টাউন, সিটি অমদা ফনা শেংদোক্লবসু নোংঙানদ্রিঙৈদা অমুক চপ মান্ননা মোৎলল্লিবসি।

ইশা ইশানা য়ূমদগী হৌরগা লূনা নান্না থম্বগী হৈনবীদু মপান্দা শীজিন্নগদবনি। অদুদি নত্তদনা ঐহাক্কী য়ূম নত্তে হায়না থৌশাদনা য়ূমগী হেক ৱাংমদা, অতোপ্পা মফমদা হুন্দোক্তুনা মোৎনা থম্বদি থোইদোক্না কান্নবা পুরকপা ঙম্লোই ঐখোয়গী খুন্নাইদা। ইম্ফাল সিটিদা হায়ফেৎ য়েংবিয়ু, মশা মশাগী য়ূমদি য়াম্না নান্না থম্নে অয়াম্বনা অদুবু নকখ্রবা য়ূমদগী কোম্থোং নৎত্রগা ফক্লাং লাম্থোকখিবদগীদি করিসু থৌশাদনা হুন্দোকপা ঙম্মী অমোৎ অকায় খুদিংমক। ইমুং অমত্তনা থৌশাবীদে, খন্থবিদে অতোপ্পগী, লম্বী চৎপশিংগী, নৎত্রগা ইম্ফাল সিটিসিগী, ঐহাক্কী য়ূম, ইমুং নাল্লগা লোইরে হায়না খন্নবনা অয়াম্বা। ইরমদম কংলৈপাক্তা হেক থোরকপদা ইম্ফাল কৈথেল, দুকান্নচিংবা মফমশিং অমদি ইম্ফাল তুরেলগী খোংবান্দা চাইরিবা, থাদরিবা, হুন্দোক্লিবা অমোৎ অকায় ময়ামদো উবদা থম্মোয় শোক্তবদি ঙমদে। খঞ্জে ইতোমতা করম কান্দা লূনা নান্না লৈবা কায়দো উরক্কদৌরিবনো হায়না। মসি ঐখোয়গী ইশা ইশাগী ওইবা য়াম্না মীৎয়েং খুবা লমচৎনি হায়না থমজগে। ঐখোয় ময়ামগী, লৈকায়গী অমদি খুন্নাই অসিগী ফনবসু খনবা তম্বা য়াম্না মরু ওই হায়না থমজগে। মসিমক্তি ময়ামসু খঙনরবা ঙাক্তনি অদুবু ঐখোয় ইশা ইশাগী হৈনবীদুনা মরম ওই, ইশাগী খুদোংচাবনা হেন্না মরু ওই খন্নবনা ঙসি ফাওবদা অহোংবা পুরকপা ঙমদ্রি।

অহোংবা পুরক্কে হায়রবদি অনৌবা লো খরসু থম্বা তঙাইফদে। টাইৱান্দা গার্বেজ মফম চানা হুনে দাক্তবা মীওইশিং নৎত্রগা ইমুং অদু সী সী টি ভিনা ফোটো নমথোক্তুনা ফোটোশিং অদু ময়ামদা উৎথোকই অমদি ফাইন তৌই। সিঙ্গাপুরদসু ফাইন য়াম্না চাউনা চাউনা লৌই। ঐখোয়গী ইরমদমদসু অসিগুম্বা লো খরা থমজিনবদা খরদি শাফগনি খল্লি। শেল তিংনীংবা কনাবু য়াওবগে।

মীয়াম্না মোৎনা লৈবগী হৈনবী অসি মীয়ামদা খক্তা তাইনবসু য়ারোই। লৈঙাক্না মফম চানা চানা ত্রাশ কেন্স/দষ্ট বিন্স/গার্বেজ কেন্সশিং থম্বীগদবনি। ত্রাশ অমদি গার্বেজশিং অসিবু মফম চাবা মফমদা গার্বেজ ত্রকশিং শীজিন্নদুনা চাং নাইনা অতোপ্পা মফমদা পুথোকপীদুনা রিসাইক্লিং তৌনবা ফেসিলিটি থম্বীগদবনি হায়বদি ফত্তবা পোৎলমশিংনা হুন্দোকখিবা অদুগা অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিং অদুনা তোঙান্না খন্দোকপীদুনা রিসাইক্লিং ফেক্টরিদা থাজিনবীবা। ত্রাশ অমদি গার্বেজ হুনে দাক্লবা তোঙানবা প্লাষ্টিক ফংহনগদবনি মীয়ামদা।

মীয়াম্না ফনা য়াম্না নান্না লৈগে হায়রবসু লৈঙাক্না পীফম থোকপা পোৎলমশিং পীবিদ্রবা, থম্বীদ্রবা, য়েংশিনবীদ্রবা কৈদৌনুংদা মফম অমা লূনা নান্না থম্বা ওইথোক্তে। অমরোমদনা লৈঙাক্না ফনা ফজনা মথৌ তৌরবসু, চঙগদবা পোৎলমশিং অসি পীদুনসু মীয়াম্না মখোয় মখোয়গী নান্না থম্বগী হৈনবী লৈত্রবা, মফম চানা হুন্দোকপীদ্রবা, শীজিন্নবিদ্রবা, লৈঙাক্কী মতেং পাংবীদ্রবদি কৈদৌনুংদসু নান্না থম্বা ওইথোক্লোই। মীয়াম অমদি লৈঙাক অনীমক পূন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই।

টাইৱান সিঙ্গাপুর, হোং কোং, জপান অমদি সাউথ কোরিয়ানচিংবা মফমশিংদদি পীক্লিবা অঙাংশিং অসিবু ময়ূম ময়ূমদগী হৌরগা স্কুলনচিংবা মফম খুদিংদা তম্বীরি ফত্ত-হৌদিশিংবু মফম চানা চানা হুন্দোকপা। ফত্ত-হৌদি হুন্দোকপদসু তোঙান তোঙান হুন্দোক্লবগী ময়েক ইদুনা থল্লি ত্রাশ কেনশিংদা। খুদম ওইনা হায়রবদা, শীজিন্নবা য়াররোইদবা পোৎলমশিং অমদি অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াগদবা পোৎলমশিং হায়না। য়ূমদগী ফজনবু তম্বীখ্রবদি অঙাংশিংদি অদুম ইঞ্জগদবনি। করিগুম্বদা ঐহাক্কী ইচাশিংনা ঐঙোন দফাওবা তম্বীবা য়াওরিবনি। য়ূমদা তম্বীহৌদবা কাঙবুদুনা স্কুলদা তম্বীরি অমুক। তম্বীরিবা মহৈশিং অসিবু থবক ওইনা তৌহনগদবনি। অদুনা মমা মপা ওইরিবা ঐখোয়সি য়াম্না মরু ওইবনি, অফবা হৈনবী কয়া তম্বীবদা। নোংপোক লমদমশিং অসিগী চৎনবীসি ঐখোয়গী খুন্নাইদসু তৌগদবনি। মপান্দা ভোট কানবা পংলাউ লাউববুদি কান্নবা করিসু ফংলোই।


Chaningleima Chanu (Taiwan Ningol, Chen Nan-Tai)

লূন-নান্না থম্নবগীদমক অচম্বা খোঙথাং খরা পঞ্জরবদা - য়ূম য়ূমদনা মপা মমা ওইরিবা ঐখোয়না ত্রাশ কেন্স/দষ্ট বিন্স য়ূমগী কাচিন অমা অনীদা অমদি মাঙ্গোলদা থম্বীগদবনি অঙাংশিং অমদি য়ূমগী মীওইশিংনা হুন্দোকপদা লায়নবা।

লৈকায় লৈকায়গীনা ক্লব নৎত্রগা লৈকায়দুগী মকোক ওইরিবা মীওইশিং অদুনা ত্রাশ কেন্স/দষ্ট বিন্স/গার্বেজ কেন্স লৈদুনা লৈকায়দুগী মফম চাবা মফমদা থম্বীগদবনি অচৎ অওকশিংনা হুনে দাকপদা লায়নবা। অদুগা খরা চাউবা কৈথেল, টাউন, সিটি ওইরগনা মফম অদুবু পায়বীরিবা মীওইশিং অদুনা হায়রিবা পোৎলমশিং অসিবু থম্বীগদবনি।

অদুগা হায়রিবা ত্রাশ অমদি গার্বেজশিং অসি চাং নাইনা হুন্দোকপীগদবনি/পুথোকপীগদবনি। খোমগৎলিবা পোৎলম খুদিংমক হুন্দোকপসু লানগনি। শীজিন্নবা য়াররোইদবা পোৎলম্বুনা মৈ থাদোকপা নৎত্রগা ফুমজিনখিবা অদুগা অমুক হন্না শীজিন্নবা য়াগদবা পোৎলমশিংনা রিসাইক্লিং ফেক্টরিদা থমজিনবীগদবনি। লৈঙাক্লসু মথৌ তারবা, মীয়াম্নসু লৈপাক্কী ওইবা ৱাখল খরা চাউনা খনবীদুনা চৎলবা ইরমদম মণিপুর তনান-তনান থম্বদা করিসু ৱানীংঙাই লৈতে। তৌগেবু খল্লবদি লম্বীদি অদুম থোরক্কনি। ইশা ইশাগীতা ওইবা ৱাখল্লোন খরা থাদোক্তুনা মীয়ামগী অমদি ইরমদম মণিপুরগী ওইবা ৱাখল খনবীদুনা ইরমদম মণিপুরবু নান্না থল্লসি। পীকখ্রবা মীওই লাক্ষ ২৫ ফাওবা য়ৌদবা মণিপুরসিবু লুনা-নান্না থম্বা হায়বসিদি অসুক্কী মতিক লায়না থোকপা য়াবনি। পীকখ্রবা মণিপুরগুম্বা শরুক অমগা মখায়মুক্তং চাউবা মীশিংনা লাক্ষ ২২৪ হেন্না লৈরিবা টাইৱানদা নোংমদা পুথোক্লিবা অমোৎ অকায় অদুক্কী মতিক য়ামখ্রে, অদুবু মখোয়না অসুক্কী মতিক নান্না থম্বা ঙম্লগা পীকখ্রবা মীশিং লাক্ষ ২৪ খক লৈবা মণিপুরদি করিগী ঙমলোইদৌরিবা। ঙমগনি হায়না খন্না হোৎনরবদি করিসু লৈবা থবক নত্তে।

# ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম নৎত্রগা চীং-তম অনীনা য়ানগদবা বিল পাস তৌহৌসি

—মোইরাংথেম নরান—

**মণিপুরনা** ইন্দিয়াদা পূনবা চহী অমগী মতুং (১৯৫০ গী নবেম্বর ১৮) দা অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, মিজোরাম (মতমদুদা দিষ্ট্রিক্ট অমমম ওইরম্বা) দিষ্ট্রিক্ট পূন্নমক থমহৌরগা কন্ত্রি নৎত্রগা ষ্টেট অমা ওইনা লৈরম্বা মণিপুরখক্তং "Eastern Bangal Frontier Act 1873" অসি মতমদুগী চীফ কম্মিস্নর হিমট সিংহনা অতম্লনা লৌথোকখি। চহী লিশীং অনী হেন্না মশাগী পুৱারী অমসুং লোন, ময়েক, লাইনীংনচিংবা অমত্তা ৱাত্তনা লৈজবগা লোয়ননা থংননা লৈমিন্নরক্লবা বর্ম্মা লৈবাক্না তত্তনা লান্থেংনদুনা লাকই। মখোয়বু মায়থীবা পীরবসু অকোনবদা নুমিৎ তাদে হায়রিবা মপাঙ্গল কল্লবা বৃটিশকা ফাওবা লান্থেংনখিবনি অমসুং মখোয়বু মায়থীবা পীবা ঙম্মোই খঙলবসু মণিপুরী (চীং-তম) গী ইপা-ইপুশিং মরৈবাক্কীদমক নোক্লা নোক্লা থৱায় থাদোকখিবা, মতিক মঙাল লৈরবা চীংলোন মাপন্না কোয়দুনা ঈংনা-চিক্লা লৈজরবসু চীং লৈবাক অসিগী ঙাকলৌ ওইরিবা এক্ট অসি অতম্লনা লৌথোকখিবা অসি মনুংদা করি ঈচেল লৈবগে হায়বসি ঙক্লা থোকই। মদুনা মরম ওইরগা শম্বল য়াওদ্রবা লৌ, ইঙ্খোলদা মনীং তম্না মীতোপ্পা, ইন্দিয়া মনুংদগীদা নত্তনা বংলাদেশ অমসুং নেপালদগী ফাওবা অতৎ-অখম লৈতনা মীতোপ চঙশিল্লকপদগী হৌজিক্তি মীতোপ্পা শরুক অহুম থোকপগী অমা ওইরে, মদুনা মরম ওইরগা পোলিটিক্স, ধর্ম্মনিতি, অর্থনিতি, মশাগী হান্না লৈজরম্বা নাটনচিংবা ঙাকপা ঙমদদুনা মরিং মরাংবা ওইরক্লি। হান্না লৈজরম্বা য়েলহৌমী (অদিবাসি) শিংনা চাগদবা চিঞ্জাক, শৃগদবা থবক, লৈগদবা লম পূন্নমক লমগী ষণনা মচি শাংই হায়না ইকায়-ইকি খঙদবা, শিনি-নানি খঙদনা মণিপুর হায়বা আইন কয়া লৈতবা, শেলবু পীরবদি ভোট্রর কার্দ, অধার, দোমিসাইলনচিংবা হেক্তা লৌরগা ঙরাংদা লাক্লগা চহী লিশীং অনী হেন্না লৈরক্লবা য়েলহৌমীশিংগা থাক চপ মান্ননা লৈবা য়ারবা মণিপুর কৌবা লৈবাক অসিতবু য়ৌরবদি স্বর্গ খূৎনা লাম্বা ফংবগা মান্নরবা মীতোপশিংনি। অদুগা ঈচং থৌদবা মীঙমদবা মণিপুরীশিংবু মখোয়না চুপলি পায়নবা লোয়ননা লাইনীং লাইশোন অমদি মহৌশাদগী চৎনরক্লবা নাৎপু মরিং-মরাংনবা হোৎনরক্লি।

আই এল পিতগী ৱাফমতা নত্তনা ফোরেনরস এক্ট হায়বা অমসু লৈরি। মসি করিগীদমক্তা মপূং ওইনা চৎনদ্রিবনো হায়বসিনি। ফোরেনরস চঙলকপা য়াদে হায়বা নত্তে, তৌবতবু ফোরেনর ওইরবদি ফোরেনরস টেক্স থিবা তাই। কয়া কুইনা লৈগনি হায়বা মতম পীবা তাই। চহী ১০/১২গী মমাঙদা মীতোপ মানবা মীওই কয়া মীওই ১৫/২০না গ্রুপ শারগা কোংবা বজাররোমদা লাকপা য়াম্না উখি। মখোয় অদু কদাইদা লাকপনো, কদাইদা চৎকদৌরিবনো হায়না সিক্যুরিটি অমত্তনা ৱাহং পাউহংনবসু তাদে। অসুম্না আই এল পিগী এক্টিভিষ্টশিংনা চহী ১/২গী মমাঙদা চ্যেক তৌবদা নোংমদা মীওই ৫০/৬০ হেন্না চে-চাং য়াওদবা ফাবগী পাউ তানখি। হৌজিক হৌজিকসু জিরিবামদা চে-চাং পায়দবা মীওই কয়া ফাই হায়বগী পাউ তানরি। লৈঙাক্না মতিং লৈনা কাঙলোন চুম্না থবক পায়খৎপীগে হায়রবদি মণিপুর অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা য়েপশিন্দুনা লৈবা কয়া য়াওরম্মোই হায়নীংঙাই লৈতে। মদু ইলেক্ট্রোরেল রোল য়েংলগা হান্নগী মীনি হায়বা চাউরাক্লা হায়বা ইরায় লায়না খঙবা য়াগনি থাজে।

লৈবাক অমবু চাওখৎহনবা নৎত্রগা অফবা মায়কৈদা পুরকপা অসি পোলিটিক্সকী মথৌনি। মখোয়শিং অসি হিদা হায়রগা হি হোনবা মীগুম্বনি। হিরোই অদুনা চুম্না লমজিংলগা হিদা তোংলিবশিং অদু অফবা ওই, অৱাবা খুদোংথিবদগী কনগদৌরিবনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পূনবা চহী ৬৮ লোম অসি ইন্দিয়াদা পূল্লুবগী খুদোংচাবা লৌরগা অমদি লৈবাক্কী চুপলিবু খূৎতা পায়দুনা লৈবাক্কীদি তুংওইনরগা, নুপী অঙাংগী সনা-লুপা লেপশিনবা, লম পাকথোক্লবা, দলান মথোল ৱাংখৎনবা হোৎনবদা পূক্লিং চংখিবা কয়া অমা য়াওরম্মোই হায়নীংঙাই লৈতে। মখোয় অদুবু পোলিটিক্স লল্লোনবা হায়না কৌনবসু য়াওদবা নত্তে। ঐখোয় পূন্নমক্লা সেপ্টেম্বর থা য়ৌরগা ইৱাবত থাবুম হায়না চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবগী মরমদি মহাক নৌনা অপোকপা-অপোকপী কায়নদুনা য়াম্না ৱানা হৌরক্লবসু মরাইবক্তা সনাগী থম্বাল শাৎলু হায়না তম্লকখি। মহাক্না লাইরিক ফবা, পুকচেল শেংবা অমা ওইবদগী খোমদোনস্না থাজদুনা এম এল এ অমসুং পঞ্চায়ট মেম্বর ফাওবা ওইদুনা লৌ পরি ২৫ উনদুনা লৈমকোনগী অকে-অমৌদা লৈরক্লবসু তমথিরবা নিংথৌগী লৈঙাক অমদি মীয়ামদগী ঈ চুপ্পা মখলগী টেক্স কয়ানা নন্দুনা অৱাবা পীবসি খাঙবা ঙমদদুনা লন-থুমদা নত্তনা নুংশিরবা লোইনবী অমদি মচাশিং থাদোক্তুনা অফং অফংবা চাদুনা কাং, তুমিৎ মরক্তা পুন্সি লেল্লগা ইমা লৈবাক্কীদমক্তা থৱায় থাদোকখিবা, মসি হৌজিক্কী পোলিটিক্সকী সমুদ্রগা লাংখোংগগুম্বনি হায়নরি। হৌজিক মাগুম্বা ১/২ দং লৈরম্লবদি লৈখা তাদুনা লৈরবা মণিপুর অমসুং মণিপুরগী মীয়াম হৌজিক ৱারিবা অসি ৱারম্লোই হায়নরি। মরম অসিনা মণিপুরবু তশেংনা নুংশিবা খরা ৱাৎপা অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক অশানবা মীৎয়েং য়েংববুদি মশাগী অমদি ইমুংগী অশানবা মীৎয়েং য়েংবদা হেনখিব্রা হায়নরি।

হৌজিক লৈবাক্কী মরু ওইবা ইস্যু ওইরিবা আই এল পি এসপুদি মশাগী কান্নবা য়েংদুনা কান কান্দুনা চৎখিবদগী মীতোপ্পা শরুক অহুম থোকপগী অমা ওইরক্লিবনি অদুগা গাড়ী দ্রাইভরনসু লুপা ৫০/১০০ পাম্বদগী মীতোপ ময়ামসি পুশিল্লকপদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরব্রা হায়নসু খন্নরি। অসুম্না মীতোপ কয়ামরুম চহী শাংনা মণিপুরদা খুন্দাদুনা লৈরকপনা হৌজিক্তি ক্রেনিক কেস ওইরক্লি। মসিদগী মণিপুর অসি সেকেন্দ ত্রিপুরা ওইরক্লে হায়বা য়ারে। মীওইবা হায়বসি উচেক্কুম্বা জীব নত্তে, লৈহন্নীংদ্রে হায়না নাওরি পায়দুনা তাম্থোকপসু য়াবা নত্তে, কাঙলোন অমগী মখাদা চৎনগদবা পোৎশক অমনি। মরম চাদ্রবদি লৈবাক অসিদা ৱায়েলশঙ কয়া লৈবনা উলতা কেস তৌরকপসু য়াই। মরম অসিনা মতম চারিঙৈদা/লৈরিঙৈদা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎপা, মথৌ তাবা চে-চাং ইস্যু তৌগদবনি। মদু নত্তনা শেঞ্জা থুমজা নৎত্রগা শক-মায় য়েংদুনা তুমিন্না লৈফম থোক্তে। মণিপুরদা ফোরেন (বংলাদেশ, ম্যান্মার, নেপাল) দগী অথিংবা লৈতনা চঙশিল্লক্লি। মদুদা অথিংবা পীদবা তারবদি ইম্ফাল সহর অসি মী লৈফম লৈতদুনা ৱারিবা অসি ঐখোয়না মখোয়গী লৈবাক অদুদা চৎলগা লৈরুবা য়াগদৌরিব্রা?

অইবগী ৱাখলদদি য়াগদবা মান্দে। অতৈদি লায়রদনা য়ূমথংননা লৈরিবা মিজোরাম, নাগালেন্দ, অরুনাচল প্রদেশতা পাস য়াওদনা চঙলুবদা খঙগনি। পাস য়াওরমদ্রবদি ফাগনি। টেক্স থিগনি নৎত্রগা জেল চঙগনি। অদু ওইরবদি মণিপুর লৈঙাক্কী এজেন্টশিং নৎত্রগা মীয়াম নৎত্রগা গাড়ী দ্রাইভরশিংনা ইশাগী ইথৌ নত্তে হায়না রেসপোন্সিবিলিটি ফিক্স তৌদ্রিবা করিগীনো? মরম অদুনা য়োৎপু শারিঙৈদা য়ৈহৌ হায়বা লৈরিবনি। অসুম্না লৈরিঙৈদা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎসি।

[NB- মরম অসিনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন্দা চৎনগদবা পথাপ কয়ামুক ইদুনা লৈরি। মদুদা সিটিজন অমগী রাইট কয়ামরুম য়াওরি। মদুদি Article 19 (d) "to move freely...the territory of India (e), "to reside and settle in any part of the terriroty of India" অদুগা অমুক মসিমক্কী clause No. 5 দা অমুক অসুম্না "(d) (e) of the clause ... resonable restriction... right conferred by the said clause. Either in the interest of the general public or for the protection of the interest any scheduled tribe."] মসিনা তাক্লি মদুদি (e) (d) দা মনীং তম্না চৎপা, লৈবা য়াবসু ষ্টেট অদুগী মীয়ামগী য়াইফনবা ষ্টেটনা মশা ঙাকথোকচনবা লো শেম্বা য়াই হায়বসিনি। মরম অদুনা লৈঙাক্না অরৈবা পাম্বে শীজিন্নদুনা মদু থিংনবা লো অমা শেম্বগী মথৌ তারে। মসিগী অরোইবা ৱারোলদি মখাদা থমজগে।

মণিপুর অসি স্কার কিমি ২২,৩২৭ খক্তং চাউবা লৈবাক অমনি। মসিগী মনুংদা ৯২%না চীংগী লম, ৮%না তম্পাক্কী শরুকনি। অদুগা পাক চাউরিবা চীংগী লম অসি লৌউবগী পোথোক্তি ৩০% তনি, তম্পাক্কী লৌউবগী পোথোক্লা ৭০%নি। অদুম ওইনমক চহী খুদিংগী তম্পাক্কী অকুৎপা লমশিং অসি ঈশিং ঈচাউনা শোকহনবদা নত্তনা ইথাই দাম থিংজিন্দুনা থম্বদগী লৌ পরি লিশীং ৮০ হেন্না লৌ উবা য়াদদুনা মাঙহনখিবা অমদি হান্না লৌ উদুনা হিংলম্বা লৌমীশিং ককঙাওনদুনা লৈরি। অসুম্না মপান্দগী মীতোপ ময়াম অমা থোমজিল্লকপনি। মরকসিদা লৈঙাক্না চাবা কোন্ননবা অমদি মীপান তাংদনবা দবল নৎত্রগা ত্রিপল লৌউ উরসি লাউরি। অদুবু য়াম্নদি ফজে হায়ববু উনীং অহোবদা ঈশিং শোকপগা মান্নরোইদ্রা? অদুগা অমুকসু মণিপুরগী চাকথুং লুপা ক্রোর কয়া সেন্তরনা পীরক্লে নৎত্রগা লৌথরে হায়রি। অদুবু মীতোপ্পু থিংদ্রিফাওবদি য়েলহৌমীদদি মপূং ফানা মহয় চাবা ফংলোই। য়োংয়াম মরক্তা চয়োম থোকপগা মান্নগনি। অতোপ্পা অশোয়বা অমনা ইন্দিয়াগী মী কোটি ১২৫ শুরে হায়না ফেমিলি প্লান্নিংনচিংবা অঙাং পোক্তনবা থবক কয়াসু পায়খৎলি। চিনাগী হেক মথংদা ইন্দিয়ানা মীশিং য়াম্বা লৈবাক অমা ওইরি। মসি হন্থনবা ইন্দিয়ানা ষ্টেট খুদিংদা মীশিং হন্থনবা পায়খৎলি, পায়খৎফমসু থোকপনি। মণিপুরদসু মদুগী থবক চহী কয়ামুক্কী মমাঙদগী পায়খৎলক্লি। থৌরাং অসি ত্রাইবেল অমদি মুসলিমশিংগী কয়া তৌবা উদে। মরমদি ত্রাইবেলশিংগীদি ‘গোদ’ না য়াদে অদুগা মুসলিমশিংগীসু ‘অলা’না য়াদে হায়রি। মৈতৈ/মীতৈগীদি তাইবঙ শেম্বা মপূনা য়াগদৌরিব্রা? (ত্রাইবেলনশিংদি অঙাং য়াম্না পোক্লবদি মতেং য়াম্না ফংই হায়বা পাউচে অমদা থেংনজখ্রে। চুম্বা চুমদবদি খঙজদে) লৈঙাক অমা লৈবনা মীয়ামগী লৈঙাক্তা মীচং মীখাই নাইদবা মিৎয়েংনা য়েংফম থোকই। মরম অসিনা মীশিং য়ামদনবা ফেমিলি প্লান্নিং তৌহনগে হায়রগনা ইমুং খুদিংগী তৌহনবীরো। অদু নত্তনা দ্রগনা লান্দারক্তুনা তুংগী য়ূম্বী হামচৎনবা য়াওরক্লবা কম্যুনিতি অমত্তদা লৈঙাক্কী মীশিং হন্থনবা থৌরাংনি হায়না ফেমিলি প্লান্নিং তৌহনবা অমদি মপান্দগী চঙলকপা মীতোপ্পা নিংথিনা থিংদনা অদুম চথবা তারবদি পোপ্যুলেসন বেলেন্স কায়রক্তুনা মুৎখিবা শোয়দ্রবনি হায়জনীংই।

অরোইবদা লৈঙাক্তা হায়জনীংবদি চীংগী শোখ্রবা কয়া অমদি অৱা-অনা, তোল্ল-তারবা কয়া, হান্নগী লৈঙাক্না পায়খৎপদা ৱাৎহৌবা নৎত্রগা নংহৌদবা ওইরবসু অনৌবা লৈঙাক অসিনা অফবা থবক কয়া পায়খৎলক্তুনা চীংমী-তম্মী অনী নুংশিনবা মরী লৈনরক্তুনা লেংগোন্নরক্লে হায়বমক য়ারে। মসিগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী, আই এল পি এসকী মায়কৈদগী, মীয়ামগী মায়কৈদগী ৱাখল নীংথিনা তামিন্নরগা চীং-তম অনীগী বেক বোন ওইরিবা আই এল পি এস নৎত্রগা মদুগা মান্নবা মীয়াম্বু ঙাক শেনবীগদবা বিল অমা হৌজিক চথরিবা এসেমব্লি সেসন অসিদা পুথোকপীয়ু।